# শরিৎ-শরাক চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবশিং ইম্ফাল থাদোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচ এন এস):**

থা অসিগী ১৭তগী হৌরগা ১৯ ফাওবা দেল্লীদা লৈবা অখিল ভারত হিন্দু মহাসভাগী ওদিটোরিয়মদা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা নেসনল শরিৎ-শরাক চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং ঙসি ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট থাদোকখ্রে।



শরিৎ-শরাক এসোসিএসন, মণিপুরগী সেক্রেটরি সনধাম ইবোমচানা খূৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নেসনল শরিৎ-শরাক চেম্পিয়নশিপ অসি শরিৎ-শরাক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শরিৎ-শরাক এসোসিএসন ওফ দেল্লীগা খূৎশম্নরগা পাঙথোক্কদবনি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারুনবগীদমক শরিৎ-শরাক এসোসিএসন, মণিপুরনা খনগৎলবা নুপা ১৩, নুপী ১৩ অমদি ওফিসল য়াওনা পূন্না মীওই ৫৩ ঙসি ইম্ফাল থাদোকখিবনি।

ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রবা মণিপুর টিম অসিগী টিম কোচনা মুতুম ওজিৎ অমদি টিম মেনেজরনা খুরাইজম নিলাকান্তনা ওইরি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা মায় পাকপা ঙমদুনা লমদমসিগী মিংচৎ পুরকপা ওইরসনু হায়না শরিৎ-শরাক এসোসিএসন, মণিপুরগী চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

১৬শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২৩-২৪

# নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা এন আই এস এ মায়থীবা পীখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচ এন এস):**

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী গ্রাউন্দ অমদি আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লল্লোং থোংখোঙদা চৎথরিবা ১৬লক শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এন ঈ এস য়ু) অমসুং এন আই এস এগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা এন ঈ এস য়ুনা এন আই এস এবু মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা রাহি য়ু সী অমসুং নম্বুল মপাল এথলেটিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (এন এ সী ও) দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৫ তাবদগী হৌরগা এন ঈ এস য়ু অমসুং এন আই এস এগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা বোল পায়বগী চাং মান্নখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমবু পাক হেক লাকশিন্দুনা শান্নবা ঙমখিদে। মেটচ অদুগী ২৬ শুবা মিনটতা এন আই এস এগী মিদফিল্ডর সাপম তোননা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৪০শুবা মিনটতা এন ঈ এস য়ুগী য়ুম্নাম মোনিশনা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-১দা মান্ননা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৫৭শুবা মিনটতা এন ঈ এস য়ুগী ফিজম সন্তোশ মীতৈনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। এন আই এস এগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না শান্নখি। অদুবু এন ঈ এস য়ুগী দিফেন্স লিংখিবনা মরম ওইরগা মেটচ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল চনবা ঙমদবদগী মেটচ অদু এন ঈ এস য়ুনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা রাহি য়ু সী অমসুং এন এ সী ওগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবদগী কনানা মেটচ অদু মায় পাক্কদগে হায়বা অয়েংবশিংনা হায়বা ঙম্নখিদে। মেটচ অদুগী ৩১, ৪৭ অমসুং ৬৯শুবা মিনটতা রাহি য়ু সীগী কেপ্টেনসু ওইরিবা ফোরৱার্দ শান্নরোয় এস জেনি কোমনা পাঞ্জল ৩ চন্দুনা হেটট্রিক ফংবা ঙমখি। নাকল অমরোমদা, মেটচ অদুগী ২০, ৪৫ অমসুং ৫০ শুবা মিনটতা এন এ সী ওগী কোন্সম অকাশ, তখেলচংবম কৃষ্ণনন্দ অমদি সেখর তেন্সুবম মীতৈনা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখিবদগী টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু পাঞ্জল ৩-৩দা দ্রো চৎখিবনি।

# কিলিয়ন এম্বাপ্পেদা প্লেয়র ওফ দি য়র এৱার্দ খূৎশিন্নখ্রে

**পেরিস, মে ১৪ (এজেন্সী):**

ফ্রেঞ্চকী কোনুং পেরিসতা ঙরাং পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা লৈবাক অসিগী ফূটবোল টিমগী কেপ্টেনসু ওইরিবা অমদি পেরিস সেন্ট জর্মেনদগী হন্দক্কী সিজন অসি লোইবদা পোত্থাগদৌরবা মমিং লৈরবা ফুটবোল্লর কিলিয়ন এম্বাপ্পেদা ফ্রেঞ্চকী প্লেয়র ওফ দি য়রগী এৱার্দ খূৎশিন্নখ্রে।



মশাগী চহী ২৫ শুরবা এম্বাপ্পেনা লীগ ৱানদা বেষ্ট প্লেয়রগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। ফ্রান্সকী কেপ্টেন অসিনা মমাং চয়োলদা মহাক পি এস জিদগী পোত্থারগনি হায়না মীয়ামদা ফোঙদোকখিবনি। মহাক রিয়াল মাদ্রিদতা য়াওরবা য়াই হায়না তোঙান-তোঙানবা রিপোর্টশিংদা হায়রি। অদুম্মকপু মহাক মশাগী মায়কৈদগীদি হীরম অসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি।

অমরোমদা, এম্বাপ্পেনা ফোঙদোকখিবদা, লীগ ৱান অসি মহাক্কী ওইনদি খ্বাইদগী মরুওইবা লীগনি। পূন্সিগী লীগ অসি নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি হায়রি।

# য়াইস্কুল কাংখূৎনা থাংমৈবন্দ মায়থীবা পীখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচ এন এস):**

থা অসিগী ১৩দগী হৌরগা শীংজমৈ কাংখূৎনা শীন্দুনা শীংজমৈ চীংঙা মথক্তা হৌদোকখিবা অহানবা ককচীংতাবম কুঞ্জবী মেমোরিএল লীগ কম নোকআউট কেন্দ্রৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ওইনা ঙসি য়াইস্কুল কাংখূৎ অমসুং থাংমৈবন্দ কাংখূৎকী মরক্তা লম্বা তৌনখি।

টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা য়াইস্কুল কাংখূৎনা থাংমৈবন্দবু পাঞ্জল ১৮-১১দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

হয়েং হৈঙাং কাংখূৎ অমদি পুথিবা কাংখূৎ লম্বা তৌনগনি।

# মেনেজরশিংগী মীফম পাঙথোক্কনি

**ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচ এন এস):**

অম্ফানা শীন্দুনা হৌজিক চৎথরিবা ১৬লক শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২৩-২৪গী ওইনা গ্রুপ অনীগী অনীশুবা মফম ফাওবদা লৈরিবা টিমশিংগী মেনেজরশিংগী ওইবা মীফম অমা হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লল্লোং থোংখোঙদা পাঙথোক্কনি। শরুক য়াগদবা টিমশিং অদুদি এন ঈ এস য়ু, এন আই এস এ, এ এফ সী অমসুং এল ৱাই সী সীনি।

ꯑꯍꯣꯡꯕ ꯄꯨꯕ

## Ph.D. DEGREE AWARDED



**Miss. Sapam Gayatri Devi,** D/o Prof. Sapam Rajen Singh and Karam Gunarani Devi of Keishampat Sega Road, Top Leirak Machin, Imphal, has been awarded the degree of Doctor of Philosophy of the Manipur University in Physics on 9th May 2024 vide notification no. MU/9-71/23/1817 for her Thesis titled **"Hawking Radiation and Thermodynamics of rotating BTZ black hole".** She worked under the supervision of Prof. K. Yugindro Singh, Department of Physics, Manipur University. She completed her Master Degree in Physics from Bangalore University in 2016. During her research period, she got selected for the IUCAA-NCRA Graduate School 2019-2020 held in Inter University Centre for Astronomy and Astrophysics (IUCAA), Pune. She has several publications in reputed international journals. She has presented papers and participated in several National and International Conferences and Workshops.

We wish her a future filled with happiness and success.

*With best wishes from*
**Family and Friends**

HL-P/10768/15

ꯂꯣꯟ ꯐꯪꯒꯅꯤ

VEHICLES / MACHINERY / PENSION LOAN AVAILABLE
(used vehicles exchange offer)

- # 2/Wheeler : Classic 350, Hero Xtreme 160R, Jawa 350, Activa, Dio, Jupiter etc.
- # 3/Wheeler : Diesel Auto, Petrol Auto, e-Rickshaw etc.
- # 4/Wheeler : Eco Van, Super Carry, Tata ACE Gold, Jeeto etc.
- # 4/Wheeler : Thar, Alto 800, Tata Nexon/ Punch/ Tiago + Luxury cars etc.
- # Machinery : Stone Crusher items, Flex Printer, Rice Mill, Tyre Fitting set, Car Wash Machine set etc.
- # 2/3/4 Wheeler used vehicles exchange গী offer পীজরি।
- # State/Central Pensioner শিংগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% p/m গী Interest তা Pension Loan গী খূদোংচাবা পীজরি।

EMPLOYMENT NEWS
# Car Wash Helper, Tyre Fitting Helper, Chicken Centre অমসুং Poultry Farm গী মী (Boy) পামজে।

*Please Contact :* **L.G. Motors**
Khagempalli Huidrom Leikai,
Mobile No. : 1) # 9362775475
2) # 9383154086

HL-B/8632/4/4-17/5

KING'S ACADEMY OF SCIENCES & ARTS
Palace Compound, Thangapat Mapal, Imphal
A Co-educational Higher Secondary School Affiliated to COHSEM)
Hostel accommodation for Boys & Girls
REGISTRATION & ADMISSION OPEN
For Class XI (Sc. & Arts)
Facilities
(i) Free ship to 80% and above
(ii) admission free+ half tuition fee to 75- 79%
(iii) 1/4 admission fee free + book grand to 70- 74%
(iv) 1/4 admission fee free to 60- 73%+school bag free
FREE ADMISSION TO THE FIRST 60 STUDENTS (IRRESPECTIVE OF DIVISIONS)
100% passed in COHSEM Exam every year
For Admission & Prospectus, contact school office from 8.00a.m. to 3.30p.m.
Or contact principal: 9436812338
HL-B/8727/15/5-4/6

UNACCO SCHOOL
Excellence in Education
REGISTRATIONS AND ADMISSIONS OPEN
FOR ACADEMIC SESSION 2024-25
UNACCO School, Khongman & Meitram for Class XI (Science)
UNACCO School, Chanura for Class XI (Arts & Science)
MEITRAM (CBSE SCIENCE)
KHONGMAN (CBSE SCIENCE)
CHANURA (COHSEM ARTS & SCIENCE)



SCHOOL TOPPER
THINGUJAM LEISHEMBI (98.4%)
Admitted to UNACCO School, Meitram
UNACCO School, Khongman Welcomes RAMAKRISHNA MISSION SCHOOL TOPPER
GARISH LAISHRAM 98.6% (493/500)
ARTS
SHAGOLSHEM PREM DEVI 9th Position (91.8%) Psychology Topper (98)
SCIENCE
SAPAM SWATI DEVI 19th Position (93.4%) Chemistry Topper (98), Inspired Awardee



www.unaccoschool.in
8131070337 (Khongman), 8414966342 (Meitram), 9863604046 (Chanura)
info.khongman@unaccoschool.in / infomeitram@unaccoschool.co.in / info.chanura@unaccoschool.in
HL-P/10772/15

Admission Open
JCRE Skill Solutions
COMMUNICATION: THE BRIDGE TO UNDERSTANDING



ENGLISH COMMUNICATION & SOFT SKILLS
Eligibility: 10th Pass & Above
Duration: 3 Months
KEY FEATURES
Listening Skills
Vocabulary Building
Pronunciation
Interview Skills
TENTATIVE START DATE: MID WEEK OF MAY 2024
TRAINING CENTRE
JCRE Skill Solutions
Kwakeithel Akham Leikai
Imphal West - 795001
AVAILABLE SLOT
06:00AM - 08:00AM
For More Details
+91 8798307379
HL-B/8662/9

CHANAKYA IAS ACADEMY
3 Decades of Excellence, Extraordinary Results Every Year, 5000+ Selections in IAS, IFS, IPS and other Civil Services so far...



DELHI'S Prestigious Institute
Now also in IMPHAL
Hostel Facility Available
Want to be an IAS/IFS/IPS Officer? Join
Sunday Open
Upgraded Foundation Course
A Complete Solution for Prelims, Mains & Interview
Available in 1 Year/2 Years/3 Years Options for CSE 2025/26/27
ELIGIBILITY: XII APPEARED/PASSED/ GRADUATION / FIRST YEAR/ 2ND YEAR & ABOVE
Batch Date: 10th May, 2024
Last Date of Admission: 08th May, 2024
Admission Open for Regular & Weekend Batches
Limited Seats Available
For Details Call @ 69099 07134
Imphal Center :
South Babupara, Near Babupara Durga Mandir
( Airtel Building) Imphal West - 795001
CHANAKYA IAS ACADEMY SINCE-1993
Toll Free No: 1800 274 5005 | www.chanakyaiasacademy.com
HL-B/8711/7/5-5/6

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 1128

GM Dmitry Andreikin (2729) - IM P. Piesik (2409)
Titled Tue 26th Mar Late chess.com INT (10), 2024.03.26

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 e6 | 2.d4 d5 | 3.Nc3 Bb4 | 4.e5 b6 | 5.Qg4 Bf8 |
| 6.Nf3 Ne7 | 7.Bg5 Qd7 | 8.O-O-O Ba6 | 9.Bxe7 Qxe7 | 10.Kb1 Bxf1 |
| 11.Rhxf1 Qd7 | 12.Nh4 Nc6 | 13.f4 g6 | 14.Qe2 Be7 | 15.Nf3 h5 |
| 16.g3 O-O-O | 17.h3 Kb7 | 18.g4 hxg4 | 19.hxg4 Na5 | 20.Nd2 Bb4 |
| 21.Qd3 Rh4 | 22.Nf3 Rxg4 | 23.Ne2 Rh8 | 24.Rh1 Rxh1 | 25.Rxh1 Nc4 |
| 26.b3 Qb5 | 27.bxc4 dxc4 | 28.Qe4+ Ka6 | 29.Ka1... | |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 1127 Solution :**

**28. …Rb1+** Opening the line from e5 to a1. **29. Nxb1**
29.Kc2 R8b2#
**29. ...Rxb1+** The black rook decoys White's king.
Your moves:29...Qb2+
**30. Kxb1**
30.Kc2 Qb2#
**30. ...Bd3+** The black bishop attacks White's king, which is defending the square a1. **31.Kc1 Qa1#** Back-rank mate
**0-1**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com